# সি এস ওশিং, ওর্গনাইজেসন অমদি লূপ কয়ানা লমদম অসিগী মপাল লমদা লৈরিবা নিঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ চহী খূদিংগী হিয়াঙ্গৈ ২ নি পানবদা পাঙথোকপা নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা সি এস ও, ওর্গনাইজেসন অমদি লূপ কয়ানা লমদমসিগী মপাল লমদা লৈরিবা নিঙোল ওইবীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা পীবা পাউজেলদা হায়, ইন্দিয়াগী মীওৎ মীনৈ অমদি হিংমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা খাইবুং তাহন্নবা শীন্দুনা লাকখিবা কয়া থেংননবা হোৎনবদা অৱা চৈথেং ফংলবী লমদমসিগী নিঙোল ওইবী খূদিংমক্তা নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা নুংঙাই য়াইফবা অমসুং পুন্সি নুংশাংবা ওইবিয়ু।

নিঙোল অমসুং পিবা উনবগী মীকুপ্তা খঙহৌদনা পীরকপা অপেনবা পুংফম অদুবু অরৈ অরৈবা মতিং ফুদোক্লবগী চৎনবী অসিনা ঙসিদি নিঙোল কয়া পিরাং শিন্থহল্লি, পিবা কয়া ওমচাক্লহল্লি। খুদোল-পোৎনা নুংশিনবগী খল ওনবগী চৎনবী অমা লাকপা অসিনা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী নুংগী ৱাহন্থোকসু মাঙহল্লক্লি। চহী খূদিংগী পাঙথোকপা হরাউ কুম্মৈ ওইরবসু লাইনিং লাইশোল, ইরাৎ থৌনিগা লোয়ননা পাঙথোকপা কুম্মৈ অমদি নত্তে। মবুং মৌপ্পা মচল মচে নুংশিনবগী লিপুনদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎপা নাৎকী নীংথিরবা মচল অমনি। কাঙলূপ অমগী লাইনীং লাইশোলগা শাগোন্নদবা, নিঙোল পিবা অনীগী নুংশিনবদা য়ুম্ফম ওইবা কুম্মৈ ওইবনা মণিপুরগী নিঙোল ওইবী খূদিংমক্তা অমদি খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্তা ইং তপ্পা, নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমা ওইবিয়ু হায়নসু য়াইফ পাউজেল পীরি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না কুম্মৈসিগা মরী লৈননা কংলৈ খুন্নাইগী মীয়ামদা অফবা চাউখৎপা, ইং তপ্পা, মান্নবা, তংদু লৈতাবা, পুন্সি নুংশাংবা, হিরম খূদিংমক্তা ৱাত্ত-পাদবা, মচিন মনাও ওইবগী অফবা মরী হেন্না কনশিনবা পীবিবগা লোয়ননা নুপীগা মরী লৈনবা ৱাথোক কয়া তুংদা থোক্তবা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরি।

সিকোগী সেক্রেটরী জেনরেল কে ইবোচৌবা খা ঙানবনা থাদোরকপা পাউজেল চেরোলদা হায়, য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মীতৈশিংগী ইনাৎ, লাইনিং লাইশোল, হরাউ কুম্মৈ, হৌন-লোনচৎ লৈজরকপদু মতমগী অহোংবনা নাৎকী মশক্তা খরা খরা অহোংবা লাকপসু য়াওরি। অসিগুম্বা অহোংবা লাকখিবা কয়াগী মনুংদা নিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা অহোংবা খরা লাকখিবা অসিসু অমনি হায়রি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপ পূম্নমক্কী নিঙোল ওইবীশিং অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাখ্রবা মণিপুরী নিঙোল-শিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী লুনপাও লুনফেংনা থাদোরকপা পাউজেলদা হায়, মণিপুরী খুন্নাইগী য়াম্না মরু ওইবা মমাংঙৈদগী চৎনরক্লিবা শেংলবা নুমিৎ অসিগী নুংগী ওইবা ঈচেল অদু ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না হেন্না ময়েক শেংহন্নবা হোৎনমিন্নসি। কুম্মৈ অসিগী মিংদা লল্লোন ইতিক তৌরিবা দুকান ফল্লিবশিংনা নোংমদা তঙাইফদনা চঙলিবা পোৎলমশিং মমল হেন্না য়োনবিগনু। অমরোমদা অনী থোক্তুনা মীয়ামদা চমন্নহনবা লাইবক থিবা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবিগনু হায়রি।

আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল কে পি সিংহ ৱাই এস এম অমসুং অসাম রাইফলসকী রেঙ্ক পূম্নমক্তা মণিপুরগী মীয়ামদা নিঙোল চাক্কৌবগী হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীরি। কুম্মৈ অসি হৌজিক্তি মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ -কাঙলূপ খূদিংমক শরুক য়ারকপা অসিনা ষ্টেট অসিগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রেসন হেন্না চেৎশিনহল্লগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না লমদম অসিগী নিঙোল ওইবী খূদিংমক্তা য়াইফ পাউজেল পীরি। কাদাগী চেরোল অমদা হায়, শেংলবা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ অসিগী ৱাহন্থোক লান্না চৎখিদনবা খুদোল পীবগী হিদান্নবা লৈতবা অমসুং নুমিৎ অসিদা মবুং মৌপ্পা ওইবশিংনা ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নদনা নীংথিনা পাঙথোকমিন্নসি লোয়ননা মচিন মৌপ্পা অশেংবা নুংশিনবগী মরী অদুনা লমদম অসিদা তুং কোইবা ইং তপ্পা খুন্নাই অমা পুরকপসু ওইরসনু।

ধর্মা প্রেমি সমিটি পাঙলতাবী মখা লৈকাই ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা মীয়ামদা পাউজেল পীরদুনা হায়, নিঙোল চাক্কৌবসি মতম অমদা মৈতৈশিংগী খ্বাইদগী চাউবা মবুং মৌপ্পা মচে মচলগী নুংশিনবগী মরী চেৎনশিনহন্নবা লেঙদ্রবা ফজখ্রবা চৎনবী অমা ওইনা চহী খূদিংগী পাঙথোক্লি। অদুবু হৌজিক্তিঃ মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপ খূদিংমকসু পাঙথোক্লরে। অসিগুম্বা ইন্টিগ্রিটিগী সিম্বোল ওইবা শেংলবা নুমিৎ অসিদা নুংঙাই য়াইফবা, ৱাত্ত পাদবা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপ পূম্নমক্কী নুংশি মরী চেৎশিনহন্দুনা শান্তি পুরকপা ওইরসনু হায়না সমিতিগী প্রসিদেন্ট এল সুবোল সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

লাইমিং কোলোই হৈঙাংগী প্রসিদেন্ট এম মঙ্গি মৈতৈনা ইরমদম অসিগী নিঙোল ওইবীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা নুংঙাইবা য়াইফবা, ৱাত্ত পাদবা, অৱা-অনা লৈতবা ইরমদম ওইরসনু হায়না ইপুধৌ ইবেন্ধৌ অনীগী মফমদা য়াইফ থৌনিজরি হায়রি।

## ফ্রি হেলথ কেম্প পাঙথোকখ্রে

মোরে, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেন রাইট ওর্গনাইজেসন মণিপুর ষ্টেটকী মীৎয়েং মখাদা মৈতৈ কাউন্সিল মোরে (এম সি এম)না শীন্দুনা লেম্না লায়েংবগী কেম্প ইষ্টর্ন সাইন স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। ডা. হেমন্ত অমদি ডা. পি এন সিংহনা শরুক য়াদুনা চত্থখিবা কেম্প অদুদা মোরে এরিয়াদা লৈবা মীওই কয়া লেম্না লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথক কয়া ফংহনখি।

ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেন রাইট ওর্গনাইজেসন মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ওইনাম জোতিন্না হায়, পি এম কে ভি ৱাইগী মখাদা ফ্রি ইক্সিদেন্টেল ইন্সুরেন্স স্কিম প্রমোট তৌনবা কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

## স্কুল কেম্পসতা প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবা খঙহনখ্রে

কোহিমা, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি )ঃ নাগালেন্দ বোর্দ ওফ স্কুল এদুকেসন (এন বি এ ই)না রেজিষ্টার এদুকেসন ইন্সটিট্যুসনগী হেদ পূম্নমক্তা স্কুল কেম্পস মনুং অমসুং মপান্দা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক অমুক হন্না শীজিন্নদনবা খঙহনখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ২৩ দা এন বি এ ইনা থোকখিবা নোটিফিকেসন্না হায়, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদুকেসন এন্দ লিটরেসিনা পীবা দিরেক্টিভকী মতুং ইন্না সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক অমুক হন্না শীজিন্নদনবা স্কুল পূম্নমক্তা খঙহনখিবনি।

## এফ ই দব্লিউগী চীফ এদভাইজর ওকখ্রে

সিলচর, ওক্টোবর ২৮ (জে এন এন)ঃ মণিপুরী বেনোভোলেন্ট সোসাইটি (এম বি এস) সিলচরনা শীন্দুনা ঙরাং পরিষদ ভবন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফ্রেন্দলি এনভাইরোনমেন্টেল ৱারিয়র (এফ ই দব্লিউ) জিরিবামগী চীফ এদভাইজর কে সরতকুমার সিংহবু হরাউ তরাম্না ওকখ্রে। থৌরম অদুদা এম বি এসকী প্রসিদেন্ট সাইখোম কোমলাকান্ত সিংহ, অসাম গভর্ণমেন্টকী এদিস্নেল সেক্রেটরী ওইরম্বা এ নন্দবাবু সিংহ, অসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে এন চান্দ অমদি এন জি জয়কুমার সিংহ অমসুং এম বি এস কছারগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা আই এস থিঙ্গোমসু শরুক য়াখি হায়রি।

# পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লমদমসিগী নিঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ লমদমসিগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়ামদা মপূং ওইনা নিঙোল ওইবিশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রোনা পীবা পাউজেলদা হায়, কুম্মৈ অসিগা ইরোয়ননা ইরমদম মণিপুরদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক খূমাঙ চাউশিনবা, নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা, শান্তি লৈবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা হায়বদু পুরকপা ওইরসনু হায়রি। হান্নগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্নসু নিঙোল ওইবীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারনা হায়, ইপা ইপু হাক্তক্তগী চৎনরকপা চম্না ফজবা নিঙোল চাক্কৌবগী মচৎ অদু ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না হঞ্জিন্নবা হোৎনসি। মমল য়াম্বা পোৎনা খুদোল তম্বা তোক্লসি। নিঙোল চাক্কৌবদা তমগদৌরিবা খুদোল অদু লমদম অসিদা শাবা অমদি ফংবা পোথোক্তমক ওইহল্লসি।

লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনসু দিপাবলি অমসুং নিঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরি। ষ্টেট য়ুনিট অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কেঐচ নাওবী সিংহনা থাদোরকপা পাউজেলদা হায়, অরানববু অচুম্বনা জয় তৌদুনা লাকপা, অচুম্বগী অখাঙ কনবগী পাউজেল পুরিবা মচা ওইবশিংনা মমা মপা নীংবগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা দিপাবলি কুম্মৈনা লাকপদা অনৌবা থৌনা পীরসনু লোয়ননা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈনা লাকপদা নুংশি চান্নবা ইং তপ্পা ইরমদম হায়বদু ওইরসনু।

মণিপুর নেস্নেল দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এম এন দি এফ)নসু নিঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরদুনা অচম্বা খুদোলপোৎনা চাক্কৌবগী মতিক ময়াই হাপ্পিদুনা লাইর ইনাক খুনবগী খেন্নবা থম্বিদনবা ইরৈচাশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লি হায়না জেনরেল সেক্রেটরী সৈখ মুফিজুদ্দিন্না থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

# লাক্লিবা ইরাই নুমিত্তা কুট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু ষ্টেট লেভেল কুট কম্মিটি মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা নভেম্বর ১ ইরাই নুমিত্তা কুট ২০১৯ অহানবা মণিপুর রাইফলস গ্রাউন্দ ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

ষ্টেট লেভেল কুট কম্মিটিগী চিয়ারমেন ভি ভুংজাগিন এম এলএ (থানলোন)না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কুট থৌরম অসিগা মাঙওইননা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা হরাউ নুংঙাইবা অমদি য়াইফ পাউজেল পীরি। লোয়ননা নুমিৎ অসিগী নুমিৎয়ুংবা সেসন অমসুং নুমিদাংৱাই সেসন্দা পাঙথোক্কদবা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈ, মিস কুট, ব্যুটি পেজেন্ট অমদি মোদর্ন ম্যুজিকেল ইন্টরটেন-মেন্টদসু শরুক য়াবিয়ু হায়রি।

মখা তানা নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা বন্দ নৎত্রগা মখল অমত্তগী প্রোটেষ্ট তৌবিদনবসু আপিল তৌরি।

ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্কদবা কুট ২০১৯ হৌদোকপা নুমিৎয়ুংবা সেসন্দা গভর্ণর ডা. নাজমা হেপতুল্লাহনা অথোইবা মীথুং, দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, পিঐচ ই মিনিষ্টর এল দিখোনা পূন্না ইকায় খুম্নবা মীথুং অদুগা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখলিয়ান্না থৌরম মপু ওইগনি। অৱাংবৌ ন্যুমাই এম এল এ, ফাজুর রহিম এম এল এ অমসুং এম সি মেরিকোম এম পি (নোমিনেট)সু অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি। চহী অসিগী কুট-পানা এম দি সি মেম্বর অমসুং বি এন সিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হাওখোথাং বাইতেনা ওইগনি হায়রি।

মখা তানা নুমিদাংৱাইগী সেসন্দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা অথোইবা মীথুং, মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমার, ট্রাইবেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর এন কয়াসিনা পূন্না ইকায় খুম্নবা মীথুং অদুগা ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ্পা থৌরম মপু ওইগনি। মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো অমদি আর ক ইমো সিংহ এম এল এ (শগোলবন্দ)সু অখন্নবা ওইনা শরুক য়াগনি।

সেসন অসিগী মিস কুট ব্যুটি পেজেন্ট নুমিদাংৱাই পুং ৫.১০ দগী হৌগনি হায়রি।

# কমরঙ্গ গভর্ণমেন্ট এদেদ এল পি স্কুলদা রেলিফ কেম্প হাংখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ২৮ (জে এন এন)ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা কমরঙ্গ মুস্লিম এরিয়াদা জিরি তুরেলগী ঈশিং পাথোকপগা লোয়ননা খুচাউথুপ্তা লৈবা য়ুম ৬৪ ঈশিং থুমজিনখিবদগী অৱাবা নংলবা মীওইশিংগীদমক কমরঙ্গ গভর্ণমেন্ট এদেদ এল পি স্কুলদা রেলিফ কেম্প হাংদুনা মীওই ৫০ হেন্না চঙজফম লৌখ্রে।

অমরোমদা রেলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং অমদি লৈঙাংপোকপিগী অৱা অনা তারবা ইমুংশিংদা ফ্রেন্দলি এনভাইরোনমেন্ট ৱারিয়র (এফ ই দব্লিউ)গী চীফ এদভাইজর কে সরতকুমার সিংহনা চেঙ হৱাই, চানবা থাও অমদি থুমনচিংবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে।

এফ ই দব্লিউগী মেম্বরশিং য়াওনা মহৌশানা থোকহনবা ঈশিং ইচাওনা অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা চেঙ, হৱাই থাউ থুম য়েন্থোকপগা লোয়ননা কে সরতকুমারনা হায়, কমরঙ্গ ভিল্লেজদা খঙহৌদনা চুরকপা নোংনা মরম ওইরগা য়ুম ৬৪ রোম ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈফম লৈতবদগী স্কুলদা রেলিফ কেম্প হাংদুনা লৈরিবা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংবনি। অৱা অনা তারবশিংগীদমক দিষ্ট্রিক এদমিনিষ্ট্রেসন, লোকেল প্রধানশিংগা তানদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা তৌগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি চেঙ হৱাই য়েন্থোকপা অদুদা য়াওখিবা কমরঙ্গ ৱার্দ নম্বর ৬ কী মেম্বর অব্দুল সুফাননা খুঙ্গং অসিদা অৱা অনা তারবা মতমদা কে সরতকুমারনা লাক্তুনা মতেং পাংবিবা অসি হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা তুংদসু মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইবিয়ু হায়নখি।

# চহী ৭০ হেল্লবা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদ্রিবা অহল ৩৯ দা খুদোল তমখ্রে

ককচিং, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ সলাম বুদ্ধিচন্দ্র অমসুং নিলমনি মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্ট ককচিং ৱার্দ নম্বর ১১ না শীন্দুনা ঙসি নুংথিল ককচিং মখা লৈকাই নাওদম পরেংদা লৈবা সলাম জোয়গী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈবা ওল্ড এজ পেন্সন ফংদ্রিবা মশাগী চহী ৭০ গী মথক্তা লৈবা নুপা নুপী পূন্না ৩৯ দা খুদোল তম্বগা লোয়ননা ইমুং ৬ তা চাকথোং গ্যাসসু য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না লৈখিদ্রবা সলাম বুদ্ধিচন্দ্র অমসুং সলাম ওংবী নিলমনিগী মফমদা লৈশু কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে। চীংঙাখম নিলচন্দ্র অমসুং সলাম ইবোবি সিংহনা পূন্না ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১১গী মনুংদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী ওল্ড এজ পেন্সন ফংদ্রিবা মশাগী চহী ৭০ হেল্লবা অহল নুপা নুপী ৩৯ দা সলাম জোয় অমসুং ইমুং মনুংনা লুপা লিশিং অমমমগা পুখম অমমমগা খুদোল তমখ্রে। অদুগা হায়রিবা এরিয়া অদুগী ইমুং ৬ তসু চাকথোং গ্যাস সেট য়েন্থোকখি হায়রি।

# কোকোমিগী খোঙজংদা পি ৱাই এফনা শৌগৎকনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না চঙশিল্লকপা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ কন্দুনা ঙাক শেন্নবা খোঙজংদা পাঙল য়ুথ ফ্রন্ট (পি ৱাই এফ) হেদ ওফিস লিলোংনা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়না ৱারেপ্পখ্রে।

পি ৱাই এফকী প্রসিদেন্ট ওইনাম ইলিয়াস খাননা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম)গী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শানরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিবা অসিগা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা ঙরাং কূপ্না খন্নরবা মতুংদা কোকোমিনা চঙশিল্লকপা থবক থৌরম খূদিংমক্তা শৌগৎপা হায়না ৱারেপ্পখি।

মণিপুরগী নাগাশিংদা ফাওরিবা পেন্দবা অদু ইন্দিয়ানা লূম্না লৌবিবা অদুগীদমক ইকায় খুম্নৈ লোয়ননা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা ৱারোইশিন পুরকপদসু তরাম্না ওকই। অদুবু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈদা শীংনরকপা লোয়ননা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদনবা শীল্লক্লবদি মদুদা য়াবা ঙল্লোই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নাগাশিংগী অপাম্বা পীরবসু পীদ্রবসু পূন্না লৈমিন্নদুনা হিংমিন্নগদৌরিবা ফুরুপ অতৈগী খল্লগা তুং কোইনা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনবিয়ু।

# জিরিবামদা ওটোরিক্সো রেল্লি চৎখ্রে



জিরিবাম, ওক্টোবর ২৮ (জে এন এন)ঃ কো ওর্দিনেটিং কম্মিটি জিরিবাম ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোজমি), ওল জিরিবাম ওক্টোরিক্সো ওর্নরস এন্দ দ্রাইভরস এসোসিয়েসন (অজারোদা) অমদি ওল জিরিবাম মেগামেক্স ওনর এন্দ দ্রাইভরস য়ুনিয়ন (অজমোদু)না পূন্না শীন্দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম)গী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নরক্লিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ শোকপা য়ারোই হায়না ওটোরিক্সো রেল্লি চৎখ্রে।

চেকশিন খোঙচৎ অদুগী মতাংদা কোকোজমিগী কোওর্দিনেটর ৱাই সঞ্জিব সিংহনা হায়, এন এস সি এন (আই এম)না মখোয়গী ওইবা নাগালেন্দ অমা শেম্নবা হোৎনবদা অকায়বা করিসু লৈতে। অদুবু য়ুমথংননা লৈমিন্নরিবা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমসুং বাউন্দরিদা শীংনরকপদি য়ারোই। করিগুম্বা শীংনরক্লবদি ২০০১ জুন ১৮গী খোঙজং অদুদগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়বসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙফম থোকই।

অজারোদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস পিশক সিংহনা হায়, নাগা শান্তি ৱারীগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমসুং বাউন্দরি শোকহনবিগনু হায়না ঙসি শিন্থা লেপ্পগা খোঙচৎ অসি চৎপনি।

# এস দি সি ৱাংবলগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব (এস দি সি) ৱাংবলগী ১৮ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ৱাংবল ময়াই লৈকাইদা লৈবা ইকোপ নিংথৌ লাইকোল শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ও সুর্জকুমার এম এল এ (খাঙবোক), সঙ্গাইয়ুম্ফম জিলা পরিষদকী মেম্বর হিজবুর রহমন, ৱাংবল জি পিগী প্রধান ঐচ মনিচন্দ্র অমদি হৈরোক, তেন্থা, লৈরোংথেল নিঙেল, চরাংপাৎ, ৱাইখোং, লাংমৈদোং, ময়েং লমজাও অমদি ইরোং চেশাবা জি পিগী প্রধানশিং শরুক য়াখি।

উয়ান-ৱাংবল এরিয়াদা লৈরিবা হন্দক চহীগী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ এগজামদা ফার্ষ্ট দিভিজন্দা মায় পাক্লকখিবা মহৈরোয় ৩০ দা ও সুর্জকুমার এম এল এনা খুদোল তমদুনা পূক্নিং শৌগৎখি। ক্লব অসিগী অনৌবা শঙলেন অমা শাবদা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরদুনা লৈকাইগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং পূন্না পায়খৎমিন্নসি হায়নসু আপিল তৌখি।

## ঌসনদৌ / নুংশংগী ওৱাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha



ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা মতম শাংনা নাদুনা লৈরকপনি। লাইওংদি মপান্দা পোম্বা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, চেখায়বা, ঈ তাবা চিকপা শাবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। মফম খূদিং চৎতুনা য়েংজরুরে, ফবা কৌবা লৈত্রে। লাইবক ফবদগী হৈঙাংদা লৈবা নাওরেম ইবোমচা (Phone No. 8014023792/6009147645) গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু ঙসিদি পুকফ ফজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌবিরকখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

থাগৎচরিবা – *Maibam Kerani Meitei (60 )*
*Kongpal Chanam Leikai*

SL/5430/19 (M)

# মোংজারোং খুনৌদা সি আর পি এফনা নৌনা শাবা বস ৱেটিং সেদ শঙ্গাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ সি এ পি সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা নোনে দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা মোংজারোং খুনৌ (রেংপাং) দা নৌনা শাবা বস ৱেটিং সেদ ঙসি শঙ্গাবগা লোয়ননা খোংশাং ভিল্লেজদা সোল্লর ষ্ট্রিট লাইট ৩ সু নৌনা ইন্সটোল্ট তৌখ্রে।

১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী চেরোল অমনা হায়, সি আর পি এফকী আই জি পি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টর অন্সুমান যাদব আই পি এসকী মীৎয়েং মখাদা নোনে দিষ্ট্রিক্তকী মোংজারোং খুনৌদা শাখিবা বস ৱেটিং সেদ অমদি খোংশাং ভিল্লেজদা সোল্লর ষ্ট্রিট লাইট ৩ ইন্সটোল তৌখিবা অদু বট্টালিয়ন অসিগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ রবিন্দ্রকুমার মালিকনা হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাদুনা খুঞ্জাশিংদা শিন্নখি।

থৌরম অদুদা ও সি এফ /১৪৩ বট্টালিয়নগী এ সি বিনোদকুমার, ও সি এ/১৪৩ বট্টালিয়নগী এ সি রোমেন সিংহ, খোংশাং ভিল্লেজগী চিয়ারমেন কিলোং দি গোলমৈ, রেংপাং ভিল্লেজগী চিয়ারমেন মাইশোং দি অমসুং রেংপাং ভিল্লেজ সেক্রেটরী অচিং মলামাই অমদি অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিং, নুপী অমসুং অঙাংশিং শরুক য়াখি।

রেংপাং ভিল্লেজগী চিয়ারমেন কিলোং দি গোলমৈনা ১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফপু থাগৎপা অমসুং মখোয়না তৌখিবা থবক্তা অপেনবা ফোঙদোকখি।

## সেরৌদা লমতু শেংদোকখ্রে

সুগনু, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস )ঃ সুগনু কেন্দ্রগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎ সিংহগী মীৎয়েং মখাদা সেরৌ দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং সেরৌগী মীয়াম য়াওনা ঙসি সেরৌগী অকোয়বা মফমশিং শিৎ শেংদুনা লমতু শেংদোকখ্রে।

লু নানবা, তরু তনানবা, লৈকাই খুঙ্গং অমদি কেন্দ্র ওইহন্নবা মীৎয়েংদা চত্থখিবা লমতু শেংদোকপা অদুগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী শাংবা (মিটর ৩০০ শাংবা) সেরৌ থোংসু নৌনা রং তৈশিন্দুনা শেমজিনখি।

নুমিৎ নীনি চূপ্পা চত্থরকখিবা সেরৌগী অকোইবা মফমশিং অমদি সেরৌ থোং য়াওনা লমখাই ফাওবগী নাক য়েৎ শিৎ শেংবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেরৌ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরী ওইরম্বা হাওবম বুঙো মৈতৈনা ফোঙদোরকখিবদি কে রঞ্জিৎ এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী নিঙোলশিংনা মপামদা লাকপদা তরু তনানবা লমদম অমা, খুঙ্গং অমা ওইনবগী পান্দমদা থবক অসি পাঙথোকপনি।

## দিমাপুরগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে

দিমাপুর, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি)ঃ হৌখিবা নুমিৎ হুম্নিরোম লেপ্তুনা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা নাগালেন্দগী দিমাপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা তোঙান তোঙানবা মফম ১৪ ঈশিং থুমজিন্দুনা ইমুং কয়াগী মীওই লৈফম লৈত্রে। নাগালেন্দ ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবদি ধানশ্রি অমসুং চাথে তুরেলগী ঈশিং ইমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেনবগা লোয়ননা থংনবা এরিয়া কয়া ঈশিং থুমজিনখিবনি। অৱাবা নংলবা মীয়ামগী মতেং পাংনবগীদমক দিপ্যুটি কম্মিস্নার দিমাপুরনা লুপা লাক্ষ ১০ গী শেনফম শিন্নখ্রে। আর্মিগী রেলিফ কলম অমনা ৫ শুবা অসাম রাইফলসকা খূৎশম্নদুনা মীওই ৬৮ দি শাফগদবা মফমদা পুথোকখ্রে। মসিগী মনুংদা ইগয়োয়ানদগী অঙাংশিং য়াওরি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২৯-১০-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা, খৎননিংবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মরুপ মফম, অচৌবা মচা খায়দনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা, অরুবদি পাঙথোকপা, য়েৎশিনবা য়াম্বা মতম্নি। শেল হেন্না চৎলগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪,৫ চাং অমদা লৈ।

**মিথুনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৫,৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** অশোক অপন থেংনবা, খৎনবা মতম্নি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭,৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

**সিংহঃ** খৎননিংবা, শাওনবা, শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবদি য়াগনি। অরুবা খরা পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ অফবা ওই।

**কন্যাঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। হকচাং ফত্তে। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। মরুপ মফম ফগৎলগনি। লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা, শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মরুপ মফম ফগৎলগনি। খুদোংচাবা তোয়না থেংনরগনি। চরাংনগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭ ফগনি, ১৮ ফত্তে।

**ধনুঃ** শাওনবা, মত খেন্নবা, শেল চৎপা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। পোৎ অনৌবা লৌবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবদি পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** অরুবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবা, মরুপ মপাংশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** শোক্তনবা হোৎনজগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি নক্ষত্র ২৫, ২৬ ফগনি, ২৭ হেন্না ফত্তে।




